ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯢ, ꯃꯦ ꯰꯳, ꯲꯰꯲꯴, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯸ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯰꯳꯱ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, মে ০৩, ২০২৪, ইম্ফাল
৪৮শুবা চহী, ০৩১শুবা মশীং

মে ৩

নঙ অমুক লাক্লব্রা

'মে ৩' নঙ অমুক লাক্লব্রা? লেপ্তনা চেন্থরিবা মতমগী ঈচেলনা কুমজা '২০২৩' নহাকপুদি হৌখ্রবা মতমগী ঈরোলনুংদা লুপহনখ্রবসু 'মে ৩' নহাক্তি চহী খুদিংগী য়াওবনিনা নকুম-নথা য়ৌরকপদা অমুক লাক্লিবা মওইরিনি। নহাকপুদি মীওইবা খুন্নাইনা লৈরিবমখৈ লাকখিগদবা ওইরিনি। অদুবু পীক্লবা মণিপুরসিদা লৈরিবা ফূরুপশিং মরু ওইনা য়েলহৌমী মীতৈশিংনদি নহাক লাকপা, অমুক হল্লকপা পামদ্রে। মরমশিং অসিনা ঙসিদি নহাক্কী নুমিৎসিদা 'ব্লেক দে' অমসুং 'এগ্রেসন দে' হায়বনচিংবা ৱাহৈশিং মিংথোন্দুনা তোঙান-তোঙানবা থৌরমশিং পাঙথোক্লগদৌরে। তশেংনমক্তি চহী খুদিংগী য়াওজবা, মখা তানসু য়াওখিগদবা নঙোন্দা ৱারৌফম অমসুং পেন্দবা, নুংঙাইতবদি ফোঙদোকফম থোক্তবনি। নুমিৎসিদা খোইরাং-খোইশাওনবগী মহুত্তা নুমিৎসিবু মণিপুরগী পুৱারীগী লমায়দা হামুক তৈশিনখিবা মীদি মী ওইরগা মী নত্তনা শা-ঙাগী লীচৎ চৎখিবা চিন-কুকি-মিজো নার্কো টেররিষ্টশিংদা খূৎ য়ান-য়ান্দুনা চৈরমগদবনি। চুম্নতগী চৈ থাংবগী মহুত্তা মীওইবগী লীচৎ নত্তনা তমথীরবা থৌওংশিং চত্থরকখিবগীদমক ফারগা য়োহ্লিং পোল্লাং চনগদবনি। কবাক খল্লগা মশোক লাক চবান থারমগদবনি। অদুবু মখোয়গী তমথীরবা লান মায়োক্লবদগী মৈশা লাংলবা য়েলহৌ ফূরুপসিগী খোঙনা-খূৎনা মখোয়বু লাম্বা ঙমজদবদগী করিমত্তা তৌরুবা ঙমদ্রে। মখোয়না কাইহৌরক্লবা মতমদতা খূৎ হন্দুনা মায়রোং য়াবতা মঙাইরে। মণিপুরগী মীয়াম্বু নুংঙাইহনগনি হায়দুনা মীয়ামগী মীহুৎ ওইরকপদগী লৈঙাক পায়বা লৈঙাক্লোইশিংনসু চোংথোরক্তুনা পান্থোম তিংবা ঙমদ্রে। লানসি খামদুনা লেপহনবগী পান্বৈ পুথোকপগী মহুত্তা মচিন চেন্থী থীদুনা লৈরে। হিংচাবীগী ৱাশক শক্তুনা লৈরে। ওল ট্রাইবেল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন মণিপুর (অটসুম) না শিন্দুনা চৎখিবা 'ট্রাইবেল সোলিদরিটি মার্চ' তা শরুক য়াখিবা লমহেন-তুহেনবা চিন-কুকি-মিজোগী মীওই খুজোক অমনা লৈঙাক মকোক অমসুং মহাক্কী লৈঙাক্লোনদা লৈরকখিবা ৱামৈগুম্না ফুমদুনা থল্লকখিবশিংনা মৈরি থোক্লা চাক্লকপগুমখিবা য়েংহৈদ্রবা থৌদোকশিংদুগী মতাংদদি লৈঙাক্লা করি হায়খিবগে? খূবাক চাংজৌ ১০ লোন্নদুনা থোরক্কনি হায়বা মাঙজৌননা খঙহৌদ্রে। এদভান্স ইন্টল্লিজেন্স ফংহৌদ্রে। সিক্যুরিটিগী অহোবা লৈখ্রে হায়দুনা শকফমগা হঞ্জিল্লগা মীয়ামদা ঙাকপীনবা হায়জখিবা নৎত্রা?

হায়জ-ৱারোলদু তাবা পূন্নমক্লা ঙাকপীখি। নখোয়না নৎত্রগা নহাক্কী লৈঙাক্লা থোকহনবনি হায়দুনা ময়ূম-মকৈ মৈনা তুম্না থাদোকপীখিবদগী লাঞ্জেন্নদুনা লৈখিবশিংনা মীয়াম্না খূৎশম্নদুনা মখোয়গী মথক্তা ৱাকোক লান চত্থখিবদি লৈখিদে। মপূকচেল পীকপা, মীনুংশি খঙদবশিংসিনা চত্থরক্লিবা উৎকী মপৈ ওইনা তুমহন্নবগী লানসি লেপহল্লু, ৱারোইশিন অমা পুরকউ। নখোয় খক্তনা ঙমদ্রগা য়ুনিয়ন লৈঙাক্তুগী মথৌ তাবা মতেংশিং লৌ হায়খিবনি। ৱাফমসিদি হৌজিকসু লানসি লোইদ্রিবনিনা মীয়ামগী চিন্দোন লৈতোন্দা পক্লি। অদুবু ঙসি চহী অমা মপূং ফারকপা নুমিৎ ফাওবদা মীয়াম্না হংলিবদি মাঙজৌননা খঙহৌদ্রে, সিক্যুরিটিগী অহোবা লৈখ্রে হায়বা ফীভমদুবু হৌজিক চহী ফারক্লবা ফাওবদা অদুম্মক লৈরিব্রা হায়বনি। অদুদি মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবা লৈঙাক্লোইনি হায়রিবশিংসি মীৎকুপ অমা ফাওবা চোন্থনা লৈহনফম থোক্লিব্রা হায়বা ৱাহংসি হংলক্লোইদবগী মরম লৈব্রা? হৌজিক্তি অতোপ্পা 'মে ৩' অমমুক লাক্লবা ফাওবদা নোংমৈ অমসুং বোমগী মখোল লেপ্লক্তবসিদি লৈঙক্লোইশিংসিনা হোৎনবা য়াবা হোৎনরে, তৌবা য়াবা তৌরে হায়রগসু 'মচ এ দু অবাউট নথিং' হায়বদু ওইরক্লবনিনা মাইবা নহা মখোয়গী মখূৎতা মণিপুরসে মোংফম্না খোঙদাফম লৈরক্রে হায়বদা অরানবা ৱাফম ওইখিগদ্রা? চাক্লা ঐগী চারগা ৱানা মীগী ঙাঙবা, অপূনবা অমত্তা ওইবগী পূক্লিং ৱাখল চেনবা ঙমজদবা মীওই খুজোক অমনা লানসিগী মচিন মৈ মুবা হৌগৎলকপদা অঙম্বা পাঙ্গল অমসুং পান্বৈ পুথোক্তুনা নুপা থোক্লা হোৎনরম্লগবু ঙসি মফম কয়াদা মীয়াম অমসুং মখোয়গী লূপশিংনা তোঙান-তোঙানবা মিংথোলশিং থোন্দুনা কুমওন থৌরমশিং পাঙথোক্লমগদ্রা? হোয়, হৌখিবনা হৌখ্রসনু, চহী অমসু মপূং ফারে। অদুবু হৌজিকসু মতম লৈরি। চিন্দা ফজ-ফজরবা ৱাফমশিং ফোঙদোরক্লিবা অদুগুম্না থম্মোয়দসু তশেংনা চেনবা ওইরগদি লানফমদা চোংশিল্লক্তুনা লানসি খাম্মু। নরৈবাক নরমদম অমসুং নফূরুপ কন্নবগী লানফমদা থৱায় মাঙবা পাম্মুদনা থোরকউ। মীয়াম লাখ-লাখনা খুজিং ওইদুনা নতুং ইল্লক্কনি। নশাগী ফম অমসুং পার্টিগী লুচিংবশিংদগী নরৈচাশিংনা হেন্না লূম্মী অমসুং লূই হায়বদু থবক্লা তাক্লকউ। শুংঙম ঙম্নরোই হায়রগনা অৱাংবা চৌক্রিদুদগী নখূৎ থাঙ্গৎলগা কুমথরক্লো। ঙমদ্রগা ঙমদে হায়বদা মীয়াম্না ৱারৌগদবা লৈতে। 'মে ৩' গী কুমওন থৌরম কয়াম কুইনা পাঙথোকহনখিদোইনো? য়েংনীংদেকো!

ꯃꯦ ꯳

ꯅꯪ ꯑꯃꯨꯛ ꯂꯥꯛꯂꯕ꯭ꯔꯥ

[illegible]

লমদমসিগী লুচিংবশিং লাইরিক হৈবদা নত্তনা নোলেজসু লৈবা মথৌ তাই

মতম মতমগী ৱাফম

সেঞ্জম দেবেন

হৌজিক্কী মতমদা মীতৈশিংগীদমক লুচিংবা খনবগী থৌদৌসি অতৈ ফূরুপশিংদগী খজিক্তংদা ওইরসু তোঙানবা মথৌ তাই। মীতৈশিংনা মীওই অমবু হেক্তা চুন্নদগী লাইরিক-লাইশু খরা হৈ হায়রগা মীতৈশিংগী লুচিংবা হেক্তা ওইহনবা হায়বসি মতমসিগা চুনদ্রে। মীতৈ ফূরুপকী লাইরিক হৈবশিং, ইংলিস-হিন্দি ফজনা ঙাঙবগী মথক্তা মণিপুরগী য়েলহৌঙৈদগী হৌরগা হৌজিক ফাওবগী পুৱারী মমুৎ তানা খঙবগা লোয়ননা নৈনবসু ঙমগদবনি। পুৱারী ময়েক শেংনা নৈনবা ঙম্বা হায়বসি নৈনবদা চঙগদবা খুদম-চাংদমশিং অমদি মরী লৈনবা খুদিংমক্কী নোলেজশিংসু নীংথিনা লৈবগী মথৌ তাই। মীতৈ অমসুং মীতৈগী পুৱারী কন্নবগীদমক মথক্তা পীজরিবা গুণশিংসি নিংথিনা চেল্লবা মীওইশিং খক্তনা শুপ্নগী মীতৈশিংগী লুচিংবগী ফিদাদা ফঙ্গদা মতিক চাগদবনি। হৌজিক্কী মতমদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ওইরিবা মওং-মতৌ অমদি কুকিগুম্বা মীতৈদা তাংলগা হিংলকখিবা ফূরুপশিংনা মীতৈদা ওনশিন্দুনা লান তাশিল্লকপা অমসুং মীতৈশিংগী লম মুন্নবা হোৎনরকপা পুন্নমকসি য়েংলগা তঙাইফদনা মীতৈ খুদিংমকসি মথক্তা পনখ্রিবা গুণশিংসি লোইনমক চেনমিন্নবগী মথৌসু তাই। অদুবু মসিমক্তি ওইথোক্লোইদবনিনা মথক্কী গুণশিংসি মপূং ফানা চেল্লবা নৎত্রগা নক্লনা চেনবা কনাগুম্বশিং ইরমদমসিদা লৈরবদি অদুগুম্বা মীওইদুদা ঐখোয় ময়াম চঙদুনা ঐখোয়গী লুচিংবা ওইবীয়ু হায়জফম থোকই। লমদমসি অসিগুম্বা মীওইশিংনা লুচিংদ্রগদি হৌজিক ওইরিবা মণিপুর অমদি মীতৈগী ফীভমসি তশেংনমক য়াম্না লাইবক থীবা থৌদৌ শোয়দনমক্কী তাগনি। ফীভমসিমক ঐখোয়না য়েংবদা য়াম্না নকশিল্লক্লা উই। সিগুম্বা ফীভমসিদা হেক তাখিবদা মণিপুর অমদি মীতৈশিংগী পুৱারী শোয়দনা মফম খঙদনা মাঙখিনি। থৌদৌসিদগী ইরমদম মণিপুর অমদি মীতৈশিংগী পুৱারী কলহৌনবা হোৎনবা হায়বসি ঐখোয় পূম্বগী ইথৌ ওইদ্রা?

হৌজিক্কী মতমদা লোলখক্কী ওইনদি ইংলিস হায়বসি খক হৈরগা মালেম পূম্বসি থুংনা কোয়বা য়ারবা নৎত্রা? অদুমকপু লুরিবদি ঐখোয়গী ইরৈবাক্লি হায়রিবা ইন্দিয়াসিদদি হিন্দি লোল হায়বসিমা য়াওদ্রবদি তশেংনমক্কী হীরম অমত্তদসু খক চন্নদ্রি। মসিসু চুমদে হায়রুবদি য়ারোই। কনাগুম্বা ফোরেন্নর অমনা ইন্দিয়া হায়বা লৈবাকসিগী মমালোল করিনো হংলকপদা ঐখোয় মণিপুরীশিংসু য়াওনা হিন্দিনি হায়দুনা খুন্নি। ইন্দিয়া হায়বসি তশেংনমক্কী হায়রবদি হিন্দুশিং খক্তনা খুন্দাবা লৈবাক অমদি নত্তে। ইন্দিয়াদা তোঙান-তোঙানবা লাইনীং লন্বীশিংদা চৎপা ফূরুপ-কাঙলূপ কয়ামুক লৈ। মখোয়দু ইন্দিয়ান ঙাক্তনি মখোয়বু কনানসু ইন্দিয়ান নত্তে হায়বা খক ঙম্লোই। মসিমক্লসু ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসনদা সিক্যুলরিজম হায়বা পোৎশকসি য়াম্না ময়েক শেংনা য়াওরিবনি। সিনা সি ওইখ্রগা, মণিপুরগী মীতৈশিংদি মহৌশাগী পোকফমদা সেদ্যুল্ড ট্রাইব ওইনা অদুমক লাক্লবসু হৌজিক ফাওবদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী সেদ্যুল্ড ট্রাইবকী লিষ্টতদি খক য়াওহনবা ঙমদ্রি। ফীভমসিমক্লা মীতৈশিংনা ইন্দিয়া পূম্বগী য়াম্লবা জেনরেলশিংগা লম্বা তৌনদুনা য়ু পি এস সীনচিংবনা লৌবা অৱাংবা থাক্কী এগজাম খুদিংমক্তা মায়োক্লুরি। থৌদৌসিদা মণিপুরগী মীতৈশিং অসুক্কী মতিক ৱারি অমসুং মায় পাকপগী চাংসু নেল্লি। ফীভমসিনা মণিপুরগী মীতৈশিং ইন্দিয়াগী লেভেলদা অৱাংবা থাক্কী থবকশিংদা মায় পাক্লা চঙবা হায়বসি পাক ওইথোক্তে। অসুম্না আই এ এস, আই পি এসনচিংবা অৱাংবা থাক্কী থবকশিং মশীং য়াম্না ফংদবা মীতৈশিংনা ইন্দিয়াগী লুচিংবশিংগা নক্লা তোৎন-তিন্নবগী চাংসু অসুক্কী মতিক নেল্লি। ফীভমশিংসিনা অতোপ্পা ফূরুপকী কাঙবুশিংনা মণিপুরগী মীতৈশিংবু ইন্দিয়াগী লুচিংবশিংনি অমদি অচৌ-অশাংশিংদা তৌনীংবা চিরোলশিং তৌশিল্লি অদুগা ইন্দিয়াগী লুচিংবশিং অমদি অচৌ-অশাংশিংনসু অসুক্কী মতিক থাজনা তাই অমসুং লৌই। ফীভমশিংসিমক লৈবনা হন্দক্কী মণিপুরগী কুকিশিংগী লানসি পাক লোইশিনবা য়াদবনি।

মণিপুরগী মীতৈ হায়বা কাঙলূপসি অদুঙৈ মণিপুরগী নিংথৌ পামহৈবা (গরিবনিৱাজ) সনা হাক্তক কুমজা ১৭০৯দগী হৌনা নিংথৌ মশামক য়াওনা মীতৈ পূম্বা পাক্তক্লনা হিন্দু লাইনীং ওনখিবনা মীতৈশিংনা সেদ্যুল্ড ট্রাইব ওইহৌদবগী খ্বাইদগী চাউবা মরম অমসু ওইরি। ইন্দিয়াগী মনুংদা লৈরিবা লাইনীং-লাইশোনশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না পাক চাউনা শন্দোকপদা হিন্দু লাইনীংনা মকোক্লি। ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী মকোক ওইরিবা হিন্দু লাইনীংদা লাইমিং লৌখ্রবা মণিপুরগী মীতৈশিংবু মতমদুদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা জেনরেল কেটেগোরিদা চল্লমদনা মতৌ করম্না থাক নেমথনা লৈবা কেটেগোরি অমদা চল্লমগদৌরিবনো? সিনি তুংদা লাক্কদবা মণিপুরগী মীতৈশিংগী মরাইবক্তা খ্বাইদগী হেন্না লাইবকথীবা থৌদৌ অমা হায়রিবসি। মতমদুগী মীতৈশিং অয়াম্বা নিংথৌমকসু য়াওনা লাইরিক-লাইশুগী চাং নেম্নবনা তুংগী ভিজ্যুএল হায়বসি ফাও করিনো হায়বা খঙখিদবা মাল্লি। মরমসিনা মতমদুগী তুংদা লাকখিবা মণিপুরগী মীতৈশিংগী মরাইবক কনাদা তাইনরুগনি? ফীভমসিমক্লা হৌজিক্তদি মীতৈ ফূরুপকী তুংগী লাইবক লৈমায়দা পক-পক্লা চিংথদুনা থম্বীরম্বগা চপ মান্নরে। সিনি ঙসিগী মীতৈশিংদা লুচিংবগী ফম হায়বসি পায়হন্নীংই হায়দুনসু মরম চাদনা হেক্তা পংপায়দা পায়হনবা য়াদে হায়রিবসি। ঙসি ঙসিমকসুনি মীতৈশিংগী লুচিংবশিংগী মরক্তা অমনা হেক্তা লান্না লমজিংলম্বদা তুংদা লাক্কদৌরিবা মীতৈ ফূরুপ্না মাগী মোংফমদা শোয়দনমক্কী তিন শিৎকদৌরিবনি। অদুমকপু মতমসিগী মীচম-মীয়াম্না ৱাখল তানরক্তুনা লুচিংবা খনবদা হান্নগীগুম মসল পৱার, মনি পৱার অমদি শঙ্গ-পঙ্গগী চৎনবীদা ভোট পীনরকত্রবা অমদি তশেং-তশেংনা খ্বাইদগী হেন্না চুম্না তৌগদৌবা অমসুং তশেংনা মতিক চারবা মীশক খক্তদা ভোট পীবা ঙম্লক্লবদি মীয়াম্না লুচিংবশিংগী মোংফমদা তিন শিংনবগী চাংসি খরা মখৈদি শোয়দনা হন্থরক্কনি। অদুম ওইনমক ঙসি ফাওবদদি অসিগুম্বা মখলগী লুচিংবশিংসি ইরমদমসিদা ইপোক পোল্লক্তবগুম তৌরি। ইরমদমসিদা ঙসিসু মীয়াম্না খনখিবা মতমসিগী লুচিংবশিং অয়াম্বনা ভোটনা মীয়াম্না কাহল্লগা থবক্লা মশাগী অপাম্বা খক্তদা তৌবগী চৎনবীসি মীয়াম্না থোইদোক্লা হোংবা উনদ্রি। সিনি ঐখোয়না নমদুনা হোংহন্নবা হোৎনদৌরিবসি।

হৌজিক্কী মতমসি মালেমগী অয়াম্বা মীওইশিংনা য়ু এন ও (য়ুনাইটেদ নেসন্স ওর্গনাইজেসন) হায়বসি করিনো অমসুং মপাঙ্গল কয়ামুক য়াম্না কনবা লৌশিং কয়ামুক লৈবা মালেমগী ওর্গনাইজেসননো হায়বসি নোংম-নোংমগী মালেমগী মীয়াম পূম্বসিনা শকখঙনবা হেনগৎলক্লি। মালেমগী য়াম্লবা লৈবাকশিংগী মনুংদা নৎত্রগা ফূরুপশিংগী মনুংদা মখোয় মশেল অমগা-অমগা নীংঙাই শংদানরকপা নৎত্রগা য়েৎনবগী থৌদৌশিং থোক্লকপা মতমদা অচুম্বা ৱায়েল ফংনবগীদমক হায়রিবা ওর্গনাইজেসনসি য়ৌনা হেক-হেক ৱাকৎনৈ। হায়রিবা ওর্গনাইজেসনসিদা হকথেংননা ৱাকৎপা চৎলিবা অমসুং অচুম-অরানগী মরমদা ৱাফম কয়ামরুম পুথোক্তুনা থমগদৌরিবা মীশক অমা হায়বসি য়ামদ্রবদা মালেমগী থাক্তা ৱা ঙাঙবা ঙম্লবা মীশক অমনি হায়বসি পুম্নমক্লা য়ানরবা ৱাফম্নি। মতাংসিদা য়ু এন ওগী ওইবা ৱাফম খরা তঙাইফদনা পুশিঞ্জরক্লিবসি, মণিপুরগী মীতৈ ফূরুপকী লুচিংবশিং মথৌ তারকপগী মতুংইন্না, মতাংশিং লাকপদা তঙাইফদনা য়ু এন ওগী থাক ফাওবা স্পিচ পীনবগী তাঞ্জাশিং শোয়দনা লাকপা য়াই খনবদগীনি। মণিপুরদা হৌজিক-হৌজিক ওইহল্লক্লিবা মীতৈশিংগী খুদোংচাদবা ফীভমসি মণিপুরগী মীতৈশিংদা কুকিশিংনা খঙহৌদনা লান তাশিল্লক্তুনা এটেক চত্থরকপদগীনি। মীতৈশিংদা কুকিশিংনা এটেক চত্থরকপগী মরমশিং অসুক্কী মতিক য়াম্মী। তৌইগুম্বসুং চত্থরক্লিবা এটেকসিগী মরু ওইবা পান্দমদি ম্যান্মারদগী ফোরেন মাইগ্রেন্টশিং ওইনা মণিপুরদা চঙলকখিবা চিন-কুকি-জৌ কাঙলূপশিংনা মণিপুরদা হান্ননা লৈরম্বা কুকিশিংদা ইনশিল্লগা তানহল্লকখিবা মখোয়গী অপূনবা দিমান্দ 'মণিপুরদা কুকিশিংগী সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন অমা লৈহল্লু' হায়বসিনা ওইহল্লি। সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন লৈহল্লু হায়বসিগী মনুংদা মশীং থিঙমদ্রবা মখোয়গী দিমান্দ মচা-মচাশিং কয়ামুক ফুমদুনা য়াওখ্রবনি। পুম্নমক শমজিল্লগা কুকিশিং মায়োক্লবা ঙম্নবগীদমক মণিপুরগী মীতৈগী লুচিংবশিং য়ু এন ও ফাওবা য়ৌনা মীতৈশিংগী অচুম্বা পুৱারী পুথোক্তুনা চপ চানা দিবেট তৌনবা ঙম্বগী গুণশিং মশাদা ৱাক্তনা চেনবা মথৌ তাই।

ইলেক্সনগীদমক মণিপুরগী মীতৈশিং তাঞ্জাসিদা শেল পাম্ফম থোক্তে। মণিপুরগী ভোটর ইমা-ইচনশিং, অপীকপা শেনফম অমগীদমক ইশাগী ভোটকা ওন্ননবা নঙ্গলদা অপীকপা ইচাশিং ফাওবা পোদুনা শারবা কালেনগী নুংশা মরক্তা মতুং-মনাও লুচিংবা কনাগী ৱাংলবা য়োৎকী গেট মমাঙদা খক অমুক হন্না লেপ্পীবা হৌনদে। ইমা-ইচাশিংগী মতৌ য়েংবদা খাঙবা ঙমজদে। খূৎকন-পাঙ্গনবশিংনা মনুংদা ফুল ওইনা চৈঙাক পীরিবা মীরেম ফোরেন্নর কুকিশিংনা ইরৈবাক মচাসি নমদুনা লৌশিনখ্রবদি মথংগী ইলেক্সনদদি কনাগী গেটতনো নখোয়না অমুক কালেনগী নুংশা মরক্তা নশাগী ভোটকী মমল অপীকপা শেনফমদু ঙাইরুগদৌরিবসি? ●

পূন্সি লানফমদা মোড়া শারিবী সোভারানী - ৩

শিন্নাইশঙগী ইৱাই-ইনিল

ডা. লাইশ্রম ইমোবা

লী-ৱাগী শিনফমগীদমক অখন্নবা থাঙ মখল লৈ। অদুবু সোভারানীগী ইমুংগী ওইনদি মশীন ওইবা য়াওদবনিনা লৈতে। অদুম ওইনমক মখোয়গী অরৈবা থাঙজৌ, তখেন্থাংনচিংবা শীজিন্নদুনা ৱা কক্তুনা, খায়বগা লোয়ননা মোড়াগীদমক পজেং ঈৎপা হৌখি। ৱাদি মখোয়গীদা হৌবা 'খোকৱা' গা হাইরপ মান্নবা মরীল খুবা ৱা মখল অমা হৌবদু শীজিন্নৈ। মহাক অমদি মপুরোইবসু করম্বা মখলগী ৱানা মোড়া শাবদা শীজিন্নগদগে নৎত্রগা খিৎ মপূং ওইনা শীজিন্নবগে হায়বসিমসু খঙদ্রি হায়না ইশেং শেংনা পাউদল্লকখি।

মচাক তানবা লোইরবা মতুংদা মহাক্লা মোড়া শাবা হৌনবা চগোনচিংবা শেম শাদুনা পানখৎপা হৌখি। মতমদুদা শিনফমসিগী মতাংদা তান্ন-খোৎনফম কনাসু লৈবা নত্তে। মপুরোইবসু প্রাইভেট বেঙ্ককী থবক পায়বনিনা হাপ্তা অমগী মনুংদা নোংম-নীনিখক য়ূমদা লৈবনিনা তশেংনা মহাক্কী হংফম খোৎফম লৈখিদে। মাগী হায়ববু মপুরোইবা অমদি লৈকায়দুদা লৈরম্বা কুমার মরিংনা হোৎনবদা উখিবশিং, মহাক্লা য়েংহৌখিবশিং অদু নীংশিংবদুনা লোইরে। অদুম ওইনমক মহাক্কী অহানবা ওইনা শিন্দম খূৎশুদা শাখিবা মোড়া মায় পাক্লা লোইশিনবা ঙমজে। মদুদা মহাক য়াম্না পেঞ্জখি। অমরোমদা মপুরোইবনসু ঙকখি। মতৌ অসুম্না মায় পাক্লবা মতুংদদি ফিরোল শাদবা মতমদা মোড়াগী মচাক শেম শাবা অমদি মোড়া শাবগী থবকসিনসু মহাক্কী শিনফম ওইরকখি। হৌজিকসু শারি।

ময়ায় ওইরপ্পা চাউবা মোড়া অমা শাবদা পূন্না পজেং চাম্মা য়াঙ্খৈরোম চঙই। হায়রিবা পজেংশিং অসি নোংমদা ঈৎপা অমদি ককপা লোইবা ঙম্নসু য়াবজাৎনি। অদুবু মহাক্তি শিনফমসিখক মায়পুননা শূবা নত্তবনিনা করিগুম্বদা নীনি-হুমনি চঙবসু য়াওই। কনাগুম্বনা করি করি ৱানা খিৎ নম্না শীজিন্নরমগদগে হায়বা মহাক খঙদে। অদুবু মাগী ওইনদি মাগীদা হৌবা খোকৱা মানবা ৱা মখল অদু শীজিন্নৈ। মপূং মরৈ ফারবা ৱা অমদগী য়ামদ্রবদা ময়ায় ওইরপ চাউবা মোরা অহুমগী মচাক ফাওবদি লেম পানা ফংই হায়। মতা চাদ্রিবদি মখোয়দা হৌরিবা ৱা মখল অসি মণিপুরদা মহৌশাদগী ফংলকপা ৱা মখল নত্তবনিনা মমিং মথাদি খঙদে হায়। অদুবু ৱা অসিগী থোইদোকপা মগুণ অমনা মসিগী নৌনা চোংলকপা (হুল্লকপা) উশোই (উনৌ) অদু খাবনা চাবা য়াদে হায়বসিনি। মরীল য়াম্না খুবা মরম্না পজেং ঈৎপদা মচাক য়াম্না ফংই। ৱাপল অদু মপুরোইবা অচৌবনা ৱর্ল্ড বেস্থ দে থৌরম অমা য়াওরুবদা অশেস্পা চারা ওইনা লৈরক্তুনা থাখিবনি হায়। উশোই চাবা য়াদ্রবনিনা ৱাপলদু মপূংদি ফারে। ৱাশা লোংদবা মতাং ময়ায় ওইরপ্পা শাংবা ৱা মখল অমনি।

মোড়া শারকপা মতমদা শীজিন্নরিবা চগো অদু অয়াম্বা মতমদা য়োৎনা (অপৌবা তারা) কোন্দুনা শেম্মী। মদুনা খূৎলোইবা হেল্লি। তৌবগীদি মদুসু ৱানা পজেং ঈৎলগা কোনদুনা শেল্লবসু য়াই। মদুম্না শীজিন্নবসু য়াওখ্রে। মহাক্লা মোড়া শারকপদা লোন্নবগীদমক শীজিন্নরক্লিবসি প্লাষ্টিক ঙাক্তা অদুম শীজিন্নরক্লি, লীদগী পয়া শিদুনা শীজিন্নবদি অমুক্তা তৌরক্তে। অদুগা মখা থংবা মোড়াগী মপানদি সাইকলগী অমনবা টয়ার ওইনা শীজিন্নৈ।

হৌজিক ফাওবদা সোভারানিনা শাখিবা মোড়াগী মশীংদি মহাক নীংশিংবা থোক্ক্রে। শাবা লোইবগা লৈনখিবনা অয়াম্বনি। অদুম্নদি ওইরগা মহাক্লা শাবা মোড়াশিং কৈথেলদা, দুকান্দা পুল্লপ নৎত্রগা চোইনা থাবদি ঙমদ্রি। মোড়াগী মমলদি পীকপা চাউবগী মখা পোন্না, পোৎচংদা য়েংলগা মহাক মশানা লেপ্পী। অয়াম্বা মতমদা মহাক্লা শাবা মোড়াশিং অসি লুপা ৫৫০দগীনা ৬৫০ ফাওবগী চাং শ্বাইদা য়োল্লি। মচাক তানববু লোইরবদি মোড়া অমা শাবদা য়াল্লবদা নুমিৎ হুমনিগুম্বদা লোইশিনবা ঙম্মী। অসুম্না থা অমদা অতম্না শূরবদি মোড়া অহুম মরি ফাওবদি শাবা ঙমগনি হায়নসু ফোঙদোরকই। অদুবু মহাক্তি শিনফম অসিখক্তবু অতম্না শূবা নত্তবনিনা অয়াম্বা মতমদা থা অমদা মোড়া অনী অহুমদগী হেন্না শাবা ঙমদে। করিগুম্বা মতমদা শুকশা শাদবা থাসু অদুম য়াওই।

চাউবা মান্নদবা মোড়া মখল-মখলদি শাখ্রে। অদুগা শিনফম অসিগা মরী লৈননা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লোয়শঙনা শিল্লকপা ইনোভেটিভ দিজাইনগী ট্রেনিংনচিংবদি মহাক ঙসি ফাওবা অমুক্তা য়াওরুখিবা লৈতবনা মওং মওংগী দিজাইন শাবদি তৌদে। অদুম্নদি ওইরগা মোড়া শাবদা লোল্লিবা প্লাষ্টিক্কী মচুশিং শীজিন্নদুনা মখল মখলগী ময়েক থোকহনবদি লৈখ্রে। হায়রিবা ময়েকশিং অদুসু মহাক্লা পুথোকচবনি। অদুম্নদি ওইরগা মহাক্কী মপুরোইবনদি মোড়াদগী মোদিফাইদ তৌরগা ঙাথফম অমদি পান্থোম য়াওবা মোড়া মখলশিংদি শাদুনা পুথোকপা য়াওখ্রে। তৌবতবু য়োন্নবগী ওইনদি শাখিদ্রি। মদুসু মীনা শাবা উরকপদগী মথন্তা চাংয়েং ওইনা শাবা হায়বদুনি। মতৌ অসুম্না খূৎনাইবগী শিনফম, মরু ওইনা লী অমদি ৱানা শাবা পোথোকশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা মোড়া শাবদা সনসম ওংবী সোভারানীনা মায় পাক্লা পোথোক পুথোকপা ঙম্লকপসিমদি পূক্লিং থৌগৎনীংঙাইনি। মতমসিগী অনৌবা কেন এন্দ বেম্বু ক্রাফ্টকীদমক দিজাইন তৌদুনা পুথোরক্লবা টুল কিদশিং লৈবগা লোয়ননা মদুবু শীজিন্নবা তম্নবগী খুদোংচাবা লৌহন্নীংই। মতম লৈরি, আশা লৈরি। ●

মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা'

(নিংথৌরোল লম্বুবা) -(১৬২)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্কী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা
লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু
নুমিৎ খুদিংগী লমাই অসিদা ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

সনা ফমবাল ফমতোং লৌখ্রে। তুবী নিংথৌ অনি লেংঙাননা। লাইরেল অনি লেংপাননা পানফরোইয়ে। হায়বগীদমক নোংযাই খুমল য়াই। খুমল নোংযাই লৈবাক শেললৈপোক লৈরুনবা চৎপনে। হে তয়ুম আচালবশিং ও। ৱাংলৈ য়ু অয়াকপা। হাওদৈ য়ু অথুমবা থকনবদুম লৌহৌ ও। ৱাহায়রবদা ৱাংলৈ অচমবা। লীকলাং মনুং খাগা থানা হাপপসু লৌহৌদ্রে। ৱাংলৈ য়ু অয়াকপা। হাওদৈ য়ু অথুমববু খলনা লৌনা থকহৌরে। লাইরেল মৈদিংঙু য়োইরেলবদি। নোংযাই খুমল শেনলৈপোকতা য়ৌরা থুংলুরে। নোংযাই খুমল নিংথৌ অদোল পুনসিবনা ৱাহং পাউহংখিয়ে। লাইরেল মৈদিংঙু নহাকতি। নোংযাই খুমল ইরৈপাকসিদা। ●

ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ'

(ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) - (꯱꯶꯲)

[illegible]

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।